

# সনালৈবাক স্পোর্টস



FRIDAY, FEBRUARY 21, 2014, PAGE 7

*চহী অসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নরিবা ফুটবোলরগী লিষ্টতা য়াওরিবা খৃষ্টনো রানোলদো*

*মেন্সকি চেম্পিয়ন ওফ দি চেম্পিয়ন এৱার্দ ২০১৩ ফংখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল*

## ধোনিনা মখা তানা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইখিগনি হায়না সুনিল গভাসকরনা এনদিটিভিদা ফোঙদোকখ্রে




*ন্যু দিল্লী, ফেব্রুৱারী ২০ঃ*
ইন্দিয়াগী মতম অমগী কেপ্টেন ওইরম্বা হৌজিক্লা এন দি টি ভি চেনেলগী ক্রিকেট এক্সপার্ট অমা ওইরিবা সুনিল গভাসকরনা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা মতম শাংনা ইন্দিয়াগী টেষ্টকি কেপ্টেন ওইরকখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেন্দগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচ মনুংদা হোম টিম ওইরিবা কিৱিগী বেটসমেন ব্রেনদোন মেক কুমলনা ক্রিকেটকি ইতিহাসতা নৌনা রেকোর্দ বুক্তা ট্রিপল সেঞ্চুরি য়ৈদুনা য়াওবা ঙমখিবা নুমিৎ অসিমক্তদা মায়থীহৌরবা ইন্দিয়াগী স্কিপর ওইরিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ইন্দিয়াগী টেষ্ট সেরিজদা মতম শাংনা কেপ্টেন ওইরকখিগনি হায়বা ৱাফম অসি থমখি।

গভাসকরনা মখা তানা হায়খিবদা হন্দক্কি টুর অসিদা ইন্দিয়ানা কিৱি টিমগী মখুত্তা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল অমদি টেষ্ট মেটচ মায়থীরগসু হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা আই সি সিগী রেঙ্কিংদা অনীশুবা স্পোর্টতা লৈরিবা অসিদগী মখা তাথবা লৈত্রি।

টেষ্টকি রেঙ্কিংদসু ইন্দিয়া হান্ননা লৈবা রেঙ্কিংদা অদুমক লৈরি। অদুগা ৱান দেগী রেঙ্কিংদদি হান্ননা টোপ রেঙ্কতা লৈরম্বা অদু রেঙ্ক অমা খক হায়থরগা অনীশুবদা লৈরি। মসি কিৱি টিম্না ৱান দে সেরিজ মঙা শান্নবদা মরি মায় পাকখিবা অদুগা ইন্দিয়ানা মেটচ অমা দ্রো ওইখিবা অদুদগীনি।

হৌজিক সাউথ আফ্রিকানা আই সি সিগী রেঙ্কিংদা টোপ ওইনা লৈবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়ানা ওভরসিদা চত্তুনা টেষ্ট মেটচ ১২ শান্নবগী মনুংদা ১০ মায়থীবা নঙখি। অদুগা অনীনা দ্রো ওইরকখি।

ইন্দিয়ানা টুর চত্তুনা টেষ্ট মেটচ শান্নখিবা লৈবাক মরি অদুদি ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া, সাউত আফ্রিকা অমদি ন্যুজিলেন্দনি। অদুমওইনমক ইন্দিয়ানা হন্দক অরোইবা ওইনা ন্যুজিলেন্দদা চত্তুনা কিৱি টিমগা টেষ্ট মেটচ শান্নবদা অহানবা টেষ্টতা মায়থীবা নঙলবা মতুংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকিদমক্তা লিংলিবা বি সি সি আইদা অফবা বেটসমেন পীরক্লবা কৌরকখিবা অদুনা মহাক্না লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউখি। মহাককুম্বা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অমত্তা মমাঙদা লৈখিদ্রি হায়নসু মতম অমগী ইন্দিয়া টিমগী লুচিংবা ওইরম্বা গভাসকরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মেটচ মনুংদা ধোনিদা অরুম্বা পোৎলুম কয়া থাঙত্তুনা লৈরবসু মহাক্না য়াম্না ঈং তপ্না খুদিংমকপু মায়োক্লনবা হোৎনখি। অমদি মহাক্না প্লে শান্নবা মতমদসু ইন্দিয়াগী ৱাখল খন্দুনা শান্নখিবা শান্নরোই ওইখি।

মঙোন্দা লাকপা প্রেসর খুদিংমক মায়োক্লবা ঙম্বা লোয়ননা টেসন ফ্রি ওইবা ইন্দিয়াগী স্কিপ্পর অমা হায়বা তারগদি মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনি। হৌজিক ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা টিম কয়া শেমনদুনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ শেন্নগসু মহাক্না পুরিবা টিম অদুদা থৱায় লুপশিন্না অমদি মীনা করি হায়রক্কদগে হায়বদু চেকশিন্না য়েংশিনবা কেপ্টেন অমগী মথৌ নীংথিনা তৌবা শান্নরোই অমনি।

ইন্দিয়ানা মপাল লৈবাক্তা চত্তুনা টুর মেটচ শান্নবা অসি ইংলেন্দদা শক ২০১১ দা শান্নরুবা অদুগী মতুংদা মতম শাংনা লেপ্তুনা লৈরুরবদু ধোনিনা কন্না হোৎনদুনা হন্দক্কি চহীদা টুর মেটচ কয়া শান্নখি হায়নসু সুনিল গভাসকরনা ফোঙদোকখি।

## সাউথ কোরিয়ানা সোর্ট ট্রেগ মায় পাকখ্রে



*সোচি, ফেব্রুৱারী ২০ঃ*
সোচি ওলেম্পিক্কী ৱুমেন্স ৩০০০ মিটর সোর্ট ট্রেগ রেল্লিদা সাউথ কোরিয়াগী টিম্না মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা মশান্না অসিদা গোল্ড মেদল লৌখিবা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চাইনানা মেদল অমত্তা লৌদনা ৭ শুবা পোজিসন্দা লৈখি। অদুগা ইটালিনা মশান্না অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই ইং ২০১০ দা পাঙথোকখিবা ভেনকোভরগী ৱিন্টর গেম অদুদা কোরিয়া টিম্না গোল্ড ফংবা ঙমদনা লৈহৌখিবনি। মতম অদুদা চাইনানা গোল্ড লৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা হন্দক্কি ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা কোরিয়া টিম্না চাইনা টিমগী মায়োক্তা য়াম্না হেন্না য়াঙনা চৎখিবগা লোয়ননা চাইনা টিম্বু মায়থীবা পীদুনা মশান্না অসিদা গোল্ড লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুদা ইটালি টিম্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। চাইনানা ইভেন্ট অসিদা কোরিয়াগা কন্না লম্বা তৌনরম্লবসু মেটচ অসিদা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। মখোয়না লৌবা য়াই হায়না আশা তৌরম্বা সিলভর মেদল অদু কানাদানা লৌখিবগা লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল অদুসু ইটালিনা ফংখি। মশান্না অসিদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন চাইনা য়াম্না নীংবা কায়না লৈহৌখি।

## মীওই ৪৫০ কাটারদা শিখিবগী মতাঙদা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

*দোহা, ফেব্রুৱারী ২০ঃ*
ইং ২০২২ দা পাঙথোক্কদবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্থু ওইগদৌরিবা গল্ফকি মনুং চনবা ষ্টেট অমা ওইরিবা কাটারনা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী শেমগৎ শাগৎনবা ইন্দিয়াদগী থবক শুনবা চৎখিবা মীওই ৪৫০ মফম অসিদা শিখিবগী মতাঙদা চহী অনীগী মতুংদা কাটারদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিদা মীওই কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।


পেন্দবা ফোঙদোকপা অদুদা মখোয়না হায়খিবদা ইং ২০১২ অমদি ২০১৩ দা কাটারদা থবক শুবা চৎখিবা ইন্দিয়াগী মীওই শিখিবসি ৪৫০ শুখ্রে। মসিগী মতাঙদা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্টকি মখাদা ৱাহং কয়া হংখ্রবসু কান্নবা ফংদে হায়না মীওইশিং অদুনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

অহানবা ওইনা ইং ২০১২ হায়রিবা চহী অদুগী থা ১১ গী মনুংদা মীওই কয়া শিখি। লোয়ননা চৎখিবা চহী ইং ২০১৩ ফাওবগী মনুংদা মীওইশিং অসি শিখিবনি।

মসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়েংবদা মপালদগী লাকখিবা মীওইশিং শিবগী চাং অসি থা অমদা মীওই ২০ ওইখি। অসুম্না শিবগী চাং অসি হেনগৎলকপগা লোয়ননা অরোইবা ওইনা মমাঙ চহীগী আগষ্ট ২৭ ফাওবদা থা অমদা মীওই ২০ শিবগী চাং অসিদা অদুমক লৈখি। ইং ২০১২ দা পুন্না মীওই ২৩৭ শিখি অদুগা ইং ২০১৩ দনা ২১৮ শিখি। মসি দিসেম্বরগী ৫ ফাওবগী মনুংদনি হায়নসু মীওইশিং অদুনা ফোঙদোকখি।




## সরাপোভা ইন্দিয়ন ৱিলসকি টেনিং তৌখ্রে



*সোচি, ফেব্রুৱারী ২০ঃ*
রুসিয়াগী সোচিদা পোকখিবী মতম অমদা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরম্বী হৌজিক্লা ৱার্ল্ডগী ৫ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবী মারিয়া সরাপোভানা হৌজিক মাঙদা লাক্লিবা দব্লিউ টি এ টুর্নামেন্ট অমদি বি এন পি পরিবার ওপন ইন্দিয়ন ৱিলসতা শরুক য়ানবা কন্না ট্রেনিং চৎখরি।

শান্নরোই অসিনা মরিরক হন্না গ্রান্সলাম টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্না হৌজিক দব্লিউ টি এ টুর্নামেন্টকি শরুক অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন ৱিলস অসি মথং থাদগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা অসিগীদমক কন্না টেনিং তৌরি। মহাক্কী ট্রেনিং অসি আউটদোরদা হার্দ কোর্ট য়াওনা কন্না তৌখিবনি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবী মরিয়া সরাপোভানা কোর্ট মনুংদা করি করি তৌগদগে হায়বনচিংবা কয়া অসি কন্না ট্রেনিং অসিদা পাঙথোক্লি। হন্দক্কি চহী অসিগী ওইনা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহাক্না টাইটল অমা ফাওবা লৌদ্রি।

মসিদসু নত্তনা দব্লিউ টি এগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংদসু মহাক্না সিঙ্গলসকি টাইটল লৌদনা লাকখিবসি মতম শাঙলক্লে। শান্নরোই অসি অহানবা রাউন্দগী শরুক য়াবা অদুনা মরিশুবা রাউন্দ নৎত্রগা ৫ শুবা রাউন্দদা মায়থীদুনা হেক্তমক লৈহৌখি। ইন্দিয়ন ৱিলকি মমাঙদা পাঙথোকখিবা সোনি ওপন টেনিসতা ঙন্না লৈহৌবদগী ৫ শুবদা হন্থখিবনি।

## রোরি মেকরোরিনা অহানবা পোজিসনগীদমক নীংথিনা শান্নরি

*মারানা (য়ু এস এ), ফেব্রুৱারী ২০ঃ*
মফম অসিদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড গোল্ফ চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা রোরি মেকরোরিনা য়াম্না নীংথিনা শান্নদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইনবা হোৎনরি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা নোর্দরন আইলেন্দগী শান্নরোই অসি য়াওরগা য়ুরোপ্তগী লাকখিবা শান্নরোই ১০ গী মনুংদা মহাকসু মরু ওইবা শান্নরোই অমনি।

শান্নরোই অসিনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড হায়রিবা মশান্না অসিগী অচৌবা টুর্নামেন্ট অনীগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা অমনা মীওই অমগা সেকেন্দ প্লেসতা লৈমিন্নখ্রে।



মহাক্না সেকেন্দ প্লেসতা লৈমিন্নখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুনা মমাঙগী থাদা দুবাইদা পাঙথোকখিবা অবুদাবী টুর্নামেন্টতনি। মসিদা মহাক্না ফিল মেকেলসনগা সেকেন্দ প্লেসতা পুন্না তামিন্নখি। মসিগী মমাঙদা পাঙথোকপা মেটচ অমা হায়বদি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মহাক্না মায় পাকখি অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৯ শুবদা মীওই অমগা পুন্না তমিন্নখি।

হন্দক্কি সিজন অসিদা মহাক্না মায় পাক্লবগীদমক্তা কন্না হোৎনখি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী পুন্সিদা ৭ শুবা রেঙ্ক তাখিবা অসিনা মঙোন্দা হোৎননিংবগী ইথিল অমা পীখি। মসি মহাক্না আমেরিকান গোল্ফ ৱিক্লিদা মীওই ৬৪ না শরুক য়াখিবা নোক আউট অদুদা দ্রো ওইদুনা মহাক্না ৭ শুবা রেঙ্ক তাখি। মরম অসিনা হন্দক্কি টুর্নামেন্ট অসিদা মায় পাক্তবা য়াদে হায়না চয়োল কয়া চুপ্না কন্না হোৎনখিবনি হায়নসু শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখি।

ফেব্রুৱারী ২৩, ২০১৪

পোলিও লায়না মালেমদগী পুংমুৎ মুথৎলসি।

অঙাং হেক পোকপদগী চহী মঙা ফাওবগী অঙাংশিংদা অনকপা পোলিও হীদাক পিথকফমশিংদা অঙাংশিংবু পুথোকপীদুনা পোলিও দ্রোপ অনিখকতং পীথকপীউ।

23RD FEB., 2014 (2ND ROUND)

STATE FAMILY WELFARE BUREAU, MANIPUR

Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.